এ আই টি এ সুপর সেরিজ অন্দর-১২ নেসনল রেঙ্কিং টুর্নামেন্ট ২০১৮ হৌদোকখ্রে

# বোইজ দবলসতা হর্স অমদি মাননগী জুরা অমসুং গর্লস দবলসতা রিধি অমদি দুর্গাস্নিগী জুরানা চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচএনএস) : মণিপুর টেনিস এসোসিএসন (এম এ টি এ) গী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল দিষ্ট্রিক্ট টেনিস এসোসিএসন (আই দি টি এ) লম্ফেলনা শিন্দুনা আই দি টি এগী টেনিস কোর্টতা পাঙথোকপা এ আই টিএ সুপর সেরিজ অন্দর-১২ নেসনল রেঙ্কিং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী বোইজ দবলসতা হর্স ফোগট অমদি মানন নাথকী জুরা অমসুং গর্লস দবলসতা রিধি চোট পোকা অমদি দুর্গাস্নিগী জুরানা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

তোঙান তোঙানবা ষ্টেট কয়াদগী নুপামচা ৩০ অমসুং নুপীমচা ২৪ পূন্না শান্নরোয় ৫৪না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা এ আই টি এ সুপর সেরিজ অন্দর-১২ নেসনল রেঙ্কিং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী বোইজ দবলসকী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা হর্স ফোগট অমদি মানন নাথকী জুরানা বেনকট রিচ বদলানকি অমদি রিক রুরিক রাজনিগী জুরাবু ৬-৪, ৬-২দা অমসুং অনীশুবা সেমী ফাইনেলদা মহালিঙ্গাই কন্ধাবেল অমদি অনিরুদ নালাপরাজুগী জুরানা দ্রুভ সসদেব অমদি সিধান শর্ম্মগী জুরাবু ৪-৬, ৬-২, ১০-৬তা মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙখিবনি। বোইজ দবলসকী মেচতা ৩৫শুবা সীদতা লৈরিবা হর্স ফোগট অমদি মানন নাথকী জুরানা ৪৭শুবা সীদতা লৈরিবা মহালিঙ্গাই কন্ধাবেল অমদি অনিরুদ নলাপরাজুগী জুরাবু ৬-১, ৬-১দা মায়থীবা পীরল্লগা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

গর্লস দবলসকী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা ১১শুবা সীদতা লৈরিবা রিধি চোদ পোকা অমদি দুর্গাস্নিগী জুরানা ৯৬শুবা সীদতা লৈরিবা অঞ্জা মুর্থি অমদি সমিক্সা দবাস্কি জুরাবু ৬-২, ৬-২দা অমসুং অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতা ৯০শুবা সীদতা লৈরিবা লক্সমি প্রানা বোগালা অমদি ইকারাজু কানুমুরিগী জুরানা ৫২শুবা সীদতা লৈরিবা সোহিনি সঞ্জি মোহেন্তি অমদি দিভিয়া উংরিচকী জুরাবু ৬-২, ৬-৩দা মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙখিবনি। ফাইনেল মেচতা রিধি চোদ পোকা অমদি দুর্গাস্নিগী জুরানা লক্সমি প্রানা বোগালা অমদি ইকারাজু কানুমুরিগী জুরাবু ৬-২, ৭-৬ (৬) তা মায়থীবা পীরল্লগা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

এ আই টি এ সুপর সেরিজ অন্দর-১২ নেসনল রেঙ্কিং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী বোইজ সিঙ্গলসকী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা হর্স ফোগটনা অনিরুধ নালাপরাজু ৬-১, ৬-১ অমসুং মানন নাথনা মণিপুরগী সেঞ্জম অশ্বজিৎপু ৬-৪, ৬-৪দা মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙখি। ফাইনেল মেচ ওইনা হর্স অমসুং মানন নাথ হয়েং শান্নগনি।

গর্লস সিঙ্গলসকী অহানবা সেমী ফাইনেলদা সোহিনি সঞ্জি মোহেন্তিনা দুর্গাস্নিবু ৬-১, ৬-২ অমসুং অনীশুবা সেমী ফাইনেলদা ইকারাজু কানুমুরিনা লক্সমি প্রানা বোগালাবু ৬-০, ৬-৪দা মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙখিবনি। টুর্নামেন্ট অসিগী গর্লস সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেচ ওইনা হয়েং অয়ূক সোহিনি সঞ্জি মোহেন্তি অমদি ইকারাজু কানুমুরিগা থেঙ্গাইনরগনি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৭১

১। ওলেম্পিক গেমসতা ‘দবল’ হায়বদি শান্নরোয় অনী অনীনা মীচং ওইরগা লম্বা তৌনবগী থৌরম কয়ামুক য়াওরি। খুদম ওইনা বেদমিন্টন দবলনি। ওলেম্পিক্কী থৌরম অমদা দবলদা সনাগী মেদল ফংখিবা লৈবাক অমগী টিম অমবু Quer Mann Pair হায়না খঙনখি। টিম অদুনা মায় পাকখিবা থৌরম অদুগী মমীং হায়য়ু?

২। রঙ্গাশ্বামী কপ্তা অসামনা অহানবা ওইনা শরুক য়াবদা মণিপুর মচা অমনা টিম কেপ্তেন ওইখি। মহাক কনানো?

৩। কুনমাথোইশুবা সেঞ্চুরিদা পোকপা নিপামচা অমা কুমজা ২০১৮গী ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ (ক্রিকেট) তা শরুক য়ারি। মহাক্কী মমিং হায়য়ু?

৪। মহাক ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা মীরৈবাক্তা ফুটবোল শান্নরুরে। মহাক ষ্টেট অমগী মিনিষ্টরসু ওইরম্মী। মহাক কনানো?

৫। লাই অসিদা উৎলিবা ইন্দিয়াগী হোকি শান্নরোয়শিং অসি করম্বা সহরদা শান্নখিবা ওলেম্পিক গেমসতা নমখিবা ফোটোনো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ফ্রেন্স ওপন্দা ক্কালিফাই ওইনবা ইন্দিয়াগী প্রজনিজ গুনেশ্বরন মেচ অমা থোইগদবদা ঙাইরে



ন্যু দেল্লি, মে ২৪ (এজেন্সী) : চহী অসিগী অনীশুবা গ্রান্দ স্লম টেনিস টুর্নামেন্ট ওইগদৌরিবা ফ্রেন্স ওপন টেনিস টুর্নামেন্টকী ম্যেন দ্রোদা ক্কালিফাই ওইনবগীদমক ইন্দিয়াগী প্রজনিজ গুনেশ্বরন মেচ অমখক থোইগদবদা ঙাইরে।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ক্কালিফায়িং টুর্নামেন্টকী মেচ অমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অসিনা ৱর্ল্ডনম্বর ১৪৬ অদুগা ক্কালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদুদা ৩২শুবা সীদদে ওইরিবা মার্সেলো এরিভালো মায়থীবা পীখিবনি।

অহানবা সেট অদুদা গুনেশ্বরন্না মার্সেলোগা য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকপদগী গেম ৪-৪ থোইনখি। মখা তারকপা মার্সেলোগী সার্ভিস গেম অমা ইন্দিয়াগী গুনেশ্বরন্না ব্রেক তৌখিবা অমদি মহাক্কী সার্ভিস গেম অদু হোল্ড তৌবা ঙমখিবদগী ৬-৪দা সেট অদু থোইখি।

অনীশুবা সেটতদি গুনেশ্বরন্না হৌবদগী মার্সেলোবু নমথদুনা শান্নবা ঙমখি। সার্ভিস গেম অনী ইন্দিয়াগী শান্নরোয় গুনেশ্বরন্না মার্সেলো এরিভালোদগী মুনবা ঙমখি। মদুগী মতেংনা অনীশুবা সেট অদু ৬-১দা থোইদুনা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবনি। হয়েং গুনেশ্বরন্না ফাইনেল রাউন্দ অদুদা টুর্নামেন্ট অদুগী ৩৩শুবা সীদদে ওইরিবা ইলিয়াস য়মরগা থেংনগনি। করিগুম্বা মেচ অদু গুনেশ্বরন্না থোইবা ঙল্লবদি মথং থাদগী হৌগদৌরিবা ফ্রেন্স ওপন গ্রান্দ স্লাম টুর্নামেন্ট অদুদা মহাক্কী কেরিয়রগী অহানবা ওইনা শরুক য়াবা ঙমগদৌরিবনি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় রামকুমার রামানাথন, সুমিথ নগাল অমসুং নুপীগী অনকিটা রাইনা ক্কালিফায়িংগী অহানবা রাউন্দদা লৈহৌখি। ৱর্ল্ড নম্বর ৯৪দা লৈরিবা ইনি দয়াগী ভান্দ্রিদি মাঙজৌননা ক্কালিফাই ওইবা ঙমখি।

১৩শুবা তেলৌ জোইন্ট কো-ওপরেটিভ ফার্মিং সোসাইটি লিমিটেদ ত্রোফি

# বোলেরো সেক্তা অমসুং লকি ষ্টার অচানবীগৈ মায় পাক্তুনা ক্কার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে



ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচএনএস) : ইষ্টর্ন য়ুনাইটেদ স্পোর্টিং ক্লবনা শিন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা ১৩শুবা তেলৌ জোইন্ট কোওপরেটিভ ফার্মিং সোসাইটি লিমিটেদ ত্রোফি ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা প্রী ক্কার্টর ফাইনেল মেচশিংদা মায় পাক্তুনা বোলেরো সেক্তা অমসুং লকি ষ্টার অচানবীগৈ ক্কার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ২৮না শরুক য়ারগা গ্রুপ ৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা ১৩শুবা তেলৌ জোইন্ট কোওপরেটিভ ফার্মিং সোসাইটি লিমিটেদ ত্রোফি ২০১৮গী ৭শুবা প্রী ক্কার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা বোলেরো সেক্তা অমসুং এস এ দি এ সঞ্জেনবম শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীনা লম্বা চানা শান্নখিবনা গোল ৩-৩দা লৈবদগী পেনালটি কাওনখি। পেনালটিদা বোলেরো সেক্তানা সদা সঞ্জেনবম্বু গোল ৭-৬তা মায়থীবা পীরল্লগা ক্কার্টর ফাইনেল চঙখি। বোলেরো সেক্তাগী গোলশিং অদুনা থোইনা গোল ৩, বিগ্যান্দা, বিসেশ্বর, অথোইবা, পহারি, ভিম অমসুং থোইনা গোল অমমম চনখি। মায়থীহৌরবা সদা সঞ্জেনবমগী গোলশিং অদুনা বোবোথোইনা গোল ৩, বিক্রমজিৎ, সনাজাওবা, দেবান অমসুং বোবোথোইনা গোল অমমম চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা ক্কার্টর ফাইনেল মেচকী ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা লকি ষ্টার অচানবীগৈ অমসুং পি ৱাই দি এ পাঙ্গৈ শান্নখিবা মেচ অদু লকি ষ্টারনা গোল ৩-১দা মায় পাক্তুনা ক্কার্টর ফাইনেল চঙখি।

লকি ষ্টারগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু রোহেন্না মেচকী ৫০ প্লস থ্রি অমসুং সঙ্করনা মেচকী ১১শুবা অমদি ২৫ প্লস টুদা চনখি। মায়থীহৌরবা পি ৱাই দি এগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা মোনিস থাপানা মেচকী ৫০শুবা মিনটতা চনখিবনি।

## রিভর রাফটিং এক্সপিদিসন

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস)ঃ মণিপুর মাউন্টেনিয়ারিং এন্দ ত্রেক্কিং এসোসিএসন্না শিন্দুনা থা অসিগী ২১দগী ২৩ ফাওবা লৈমতাক রিভরদগীনা নুঙলৈবান ভিলেজ ফাওবা রিভর রাফটিং এক্সপিদিসন অমা পাঙথোকখ্রে হায়না এসোসিএসন অসিগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি। এক্সপিদিসন অদুগী পান্দমদি মণিপুরদা ৱাটর স্পোর্ট এক্টিভিটিস হেনগৎহনবা লোয়ননা এনভাইরোনমেন্ট কনজর্ব তৌবা অমদি লৈমতাক রিভরদা প্লাষ্টিক ৱেষ্ট শেংদোকপনি।

## জেনরেল বোদি মীফম

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস)ঃ ওল মণিপুর প্লেয়র্স গার্জিয়ান্স এসোসিএসন্না থোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না এসোসিএসন অসিগী জেনরেল বোদি মীফম অমা থা অসিগী ২৭কী অয়ুক পূং ১১ তাবা মতমদা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক্তা লৈবা য়ুঠ হোষ্টেলদা পাঙথোক্লগনি হায়না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। মশান্না খুদিংমক্কী শান্নরোয়শিংগী মমা-মপা, অহল-লমন অমসুং মরী-মতাশিংনা মীফম অসি য়াওরনবা খঙহল্লক্লি।

